**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-04-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৮-০৪-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) শকাইরবা ইতিহাসকার প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা হায়রি-লিংজেল মান্নদবদগী মণিপুরনা বৃটিশকী মখূত্তা মাইথিখিবা অদু নিংশিংদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নবা মতম ওইরে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা আই.ঈ.দি বোম তরুক ফাগৎলে, লালহৌবা অনিসু ফারে।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি-লৈবাক অসিগী হেলথ সেক্তর ফগৎহন্নবা মতিক চানা শেল থাদরি।

**------**

**নুমিৎ (এল)ঃ** ইং কুমজা ১৮৯১ গী এংগ্লো মণিপুরী লানদা মণিপুরনা বৃটিশকী মখুত্তা মাইথিখিবা নুমিৎ এপ্রিল ২৭ পু নিংশিংবগী থৌরম ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্তিনরি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্তরনেশনেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট(ইপসা)না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শকাইরবা ইতিহাসকার প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা হায়-লাঞ্জাও অদুগী য়ামা মরুওইবা নিংশিংনিঙাই ওইবা নুমিৎ অমা হায়বা তারবদি কংলাদা মনিং তমা পাইরম্বা পাখংবা য়েকপা মণিপুরগী ফিরালবু বৃটিশশিংনা চিংথদুনা মখোয়গী য়ুনিয়ন জেক য়েকপা ফিরাল পাইহনখিবা কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭ অদুনি। অদুবু, খোঙজোম লানগী নিংশিং থৌরম খক্তদা অহেনবা মীৎয়েং চংনখিবদগী হৌরক্লিবা মীরোলনা মণিপুরনা মাইথিখিবা নুমিৎ খংবা ঙমদ্রে। মহাকা হায়-খোঙজোম লানগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকপদা করিসু অকাইবা লৈতে। অদুম ওইনমক, মণিপুরগী নিংতম্বা নুমিৎ তাখিবা নুমিৎ অদুবু হৌরক্লিবা মীরোলদা খংহন্দুনা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

প্রোফেসর জয়কুমারনা হায়-মণিপুরনা বৃটিশকী মখূত্তা মাইথিখিবা অসি লিংজেল মান্নদবা অমসুং খাইবুং খাইবুং তানবদগী থোকখিবনি। অসিগুম্বা অশোইবশিং অসি হন্না য়েংশিনদুনা ঙসিগী মীরোলনা অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা, ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঙাক্কুনা থল্লম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম কাইহন্দনবা থৌদাং লৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন মখা তানা চথদুনা খূৎশু খূৎলাই অমদি আইননা য়াদবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা টি মিনৌদগী আই.ঈ.দি তরুক সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে। বোমশিং অদু বোম দিস্পোজেল কাংবুনা অশোই অঙাম য়াওদনা লৌখৎলবা মতুংদা মোরে পুলিস স্তেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং গেটতগী কে.সি.পি(নোয়োন)গী মীওই অনি ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মরক অসিদা, রাজ্য পুলিসনা গারি হুরানবশিং ফাগৎনবা মখা তানা চথবা ওপরেসনদা আইননা য়াদবা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা নমদুনা লৌখিবা গারি তরেৎ ফাগৎপা ঙমখ্রে। অখন্নবা ভেহিকল দ্রাইভতনা তিন্তেট গ্লাস অমদি ব্লেক ফিল্মশিং নপ্লন্বা গারি ২০৭ তগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখ্রে হায়রি।

**এৱার্দ(এল)ঃ** সহিত্য থৌপাং লুপ(শাথৌ লুপ)না চহী খুদিংগী পীবা থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা শকাইরবা জর্নেলিষ্ট ইবোয়াইমা লাইথাংবমদা পীরগনি। মনা অসি মথং থা মে অহুমদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড প্রেস ডেগী থৌরমদা খূৎশিন্নগনি হায়না সহিত্য থৌপাং লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**শাবা** ঃ মণিপুরদা শাবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি। ককচিং জিলাদা ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.০৫ য়ৌনা শাখি।

রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা অইং অশাগী পাডদা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং নোনেদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২গী মথক্তা শাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী অমসুং সেনাপতিদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ গী মথক্তা শাখি। বিষ্ণুপুর জিলাদনা সেলসিয়স দিগ্রি ২৯ গী মথক্তা শাখি হায়রি।

**কেন্সর ঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়াম মশা মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাকা হেলথ সেক্তরগী মথৌ তাবা শেনফমশিং ৱাৎহন্দনবা হোৎনরি।

মহারাষ্ট্রগী ছত্রপতি সমভাজিনাগরদা গভর্নমেন্ট কেন্সর হোস্পিতাল অমা হাংদোক্লদুনা মন্নিনা হায়- লৈবাক অসিদা মেদিকেল কলেজ ৭৮০ মথৌ নিংথিজনা তৌরি। হেলথ সার্ভিসেসকী লমদা ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না লুপা কোতি লিশিং ৭ কী শেনফম কাইথোক্লে। আয়ুসমান ভারত হেলথ ইন্সুরেন্স স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ৬০, মরুওইনা অহল ওইরবশিংদা লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি।

**জয়সঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করগা যুনাইতেদ কিংদমগী ফোরেন সেক্রেটরি দেবিদ লাম্মিগা পহলগাম তেরর এত্তেক্টকী মতাংদা ৱারি শান্নখ্রে। ঙমখৈ লান্না পহলগামদা চথরকখিবা টেরোরিষ্টশিংগী এত্তেক্ট অদুগী মতাংদা কুপা খন্নরদুনা লুচিংবা অনিনা অসিগুম্বা থৌওংশিং খাংদুনা লৈবা চুমদে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ভারতনা লৈবাক অসিদা লাকপা পাকিস্তান মচাশিং পুং ৪৮ গী মনুংদা মরৈবাক্তা হনখিনবা থাখিবা মতম ঙরাং লোইখ্রে। পঞ্জাবকী অমৃটশরদা লৈবা অতারি-ৱাঘা জোইন্ট চেক পোষ্ট লান্থোক্তুনা ঙরাংসু পাকিস্তান মচা ২৩৭ মরৈবাক্তা হনখি। মসি থারগা মরৈবাক্তা হনখিবা পাকিস্তান মচা ৫৩৭ শুখ্রে।

মরক অসিদা, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা পাকিস্তান লোমদগী ভারত মচা ১৩৮৭ ভারত্তা হল্লকখ্রে।

**লাম্মীঃ** কেন্দ্র সরকারনা হায়রি-সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্ম ৱাটসএপনচিংবদা ভারত লাম্মীবু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবগীদমক সরকারনা বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাংদোক্তুনা থল্লে হায়না শন্দোরক্লিবা পাউ অসি অরানবা যুমফম য়াওদবনি। পি.আই.বিগী ফেক চেক য়ুনিটনা মেসেজ অসি অরানবা মেসেজনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। আর্ম ফোর্সেস বেতল কেজ্যএলিতিস ৱেলফিয়র ফন্দ কৌবা অমা শেমদুনা অশোক অপন নংলবা লাম্মীশিংগী ইমুং

মনুংদা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীননবনি হায়রিবা মেসেজ অসি য়ুমফম য়াওদবা অরানবনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগা মরি লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা সি.এস.ও লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মিজোরামদা ওক্তা নাবা লায়না অফ্রিকান স্বাইন ফিভর লাইচৎ শন্দোরকপগী পাউ অমসুং ষ্টেট অসিদা লোগী ৱাংমদা চথবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পায়খৎলকপা চেকশিল থৌরাংগী মনুং চন্না খূৎশু খূৎলাইশিং অমদি লো না য়াদবা মীওইশিং ফাগৎখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসিদা ফোঙনরি।

কংগ্রেসনা শিন্দুনা ইম্ফালদসু কন্সটিট্যুসন কন্নবা রেল্লি পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমদি মিজোরামদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর লাইচৎ নৌনা শন্দোরকপদগী পুন্না ওক লিশিং ৩,০৫০ হাৎখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পহলগাম এত্তেক্টকী মায়োক্তা কুকিশিংনা কেন্দল রেল্লি চৎখ্রে, কুকি টেরোরিষ্টশিংনা চথুরিবা থৌওং অসিদি পহলগামগী থৌদোক্কা চপ মান্নে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে, লালহৌবা ১২ ফারে হায়বা পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকল পাউচেদা ফোঙলি।

মিজোরামদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং থেংনবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিংনা মতেং পাংলকবা মিজোরামগী লোক সভাগী এম.পি রিচার্দনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ নহারোল থৌদাংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নিংথৌখোঙগী রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নরকখিবা মহৈরোই মরি কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা পাস তৌরকখিবা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউদা ফোঙলি।

ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্তুনা চীং তম অনিমক লিংজেল মান্ননা থেংনমিন্নসিঃ ইপসা- হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা রেবিস লায়নানা মীওই ৭ লৈখিদ্রে, য়ুমদা লোয়বা শা লাক্ষ অনিরোম রেবিস হীদাক কাপথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং ইচেল এক্সপ্রেসতা ফোঙলি।

বাইওদাইভর্সিতি য়োকখত্তুনা থমসি হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখিবা ব্রাফম মণিপুর মেলদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**